ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯅꯄꯥꯎ

# হুইয়েন লানপাও

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



নেশনল দিৱর্মিং দে ২০২৫গী মনুং চন্না থৌবাল নিঙোম্বমগী ইভরগ্রীন ফ্লৱর্স স্কুলদা জোনেল এদ্যুকেশন ওফিসর (জেদ ঈ ও), ৱাই অচৌবনা থৌরম অসিগী অনীশুবা রাউন্দগী কেম্প্যেন হৌদোক্লবা মৈরা চুখৎপা


থম্মোয় পাউদম : ইরমদগী মীরমদা - ১৫ ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ হকচাং মনুংদগী হোন্দোরকপা নিংশাদা চাংয়েং তৌরগা...

'শীংনরক্লিবা পূম্নমক থেংনমিন্নবা তাই' ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ মণিপুর রাজবারি চয়েৎনবা মওংদা থুগাইখিবসিনা...

হরয়ানাদা পুলিস ওফিসর অমসু সুইসাইদ নোট থনল্লগা... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ এম এম এ এনা শীন্দুনা চথরকখিবা ৪৪ রক শুবা...


মিষ্টর দিফ ইন্দিয়া ২০২৫দা ৱিন্নর ওইরক্লবা ভৈরিলো লানাবু রাজ ভবনদা গভর্ণরনা তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মায়কৈদগীসু ইটলিদা পাঙথোক্কদবা মিষ্টর দিফ ইন্টরনেশনল কন্টেষ্টতা শরুক য়াবদা তেংবাঙবীয়ু হায়জখিবা



Vol. 49, Issue No. 194 | য়ুমশকৈশা, মেরাগী ২৪নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, October 15, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### ক্রিমিনেল কেসশিং মায়োক্লবা মণিপুরগী ফোর্মর অমসুং সিটিং এম পি-এম এল এশিংগী কেস

## এক্স-এম এল এ লুখোই, রতনকুমার ১সুং এম এল এ শ্যামকুমারগী কেসশিং 'ক্লোজ' তৌরে হায়রকপদগী কোর্টনা এফিদেভিট ওইনা ফোঙদোরক্লবা খঙহনখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস) :** সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী ষ্টেট পুম্নমক্তা লৈরিবা ফোর্মর অমসুং সিটিং এম পি/এম এল এশিংগী মথক্তা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা ক্রিমিনেল কেসশিংগী ইনভেষ্টিগেশন অমসুং ৱায়েল অথুবা মতমদা চথুদুনা লোইশিন্নবা অখন্নবা কোর্টশিং ফাওবা লিংখৎনবা পীরকখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না মণিপুরগী ওইনসু ষ্টেট অসিগী ফোর্মর অমসুং সিটিং এম পি/এম এল এশিংগী মথক্তা লৌখৎপা কেসশিংগী ইনভেষ্টিগেশন/ত্রাইএলগী থবকশিং মোনিটর তৌনবগীদমক হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা কুমজা ২০২০দা লৌখৎখিবা পি আই এল নম্বর ৩৮গী মখা তাবা ৱায়েল ঙরাং পাঙথোকখ্রে।





পি আই এল নম্বর ৩৮ ওফ ২০২০ অসি ঙরাং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস এম সুন্দর অমসুং জষ্টিস এ বিমোলগী বেঞ্চনা মখা তাবা ৱায়েলগীদমক লৌখৎখিবনি।

কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল কে ঐচ তরুনকুমারনা লেপখি। অদুগা পি আই এল অসিগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ১, ২, ৩ ওইরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি, সেক্রেটরি (হোম) অমসুং সেক্রেটরি (লো) গী মায়কৈদনা এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমনা লেপখি।

রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ৭ ওইরিবা সী বি আইগী মায়কৈদনা সিনিয়র পি সী সী জি, দল্লিয়ু দরাকিশোরনা লেপখি অদুগা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ৮ ওইরিবা এন আই এগী মায়কৈদনা দেপ্যুটি সোলিসিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া কে ঐচ সমরজিৎনা লেপখি।

কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎতুনা খন্নরকপদা পি আই এল অসিগী এমিকস ক্যুরি ওইরিবা সিনিয়র কাউন্সেল ৱাই নিরমোলচান্দনা পি আই এল অসিগা মরী লৈননা কোর্টনা পীখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না সেপ্টেম্বর ১০, ২০২৫দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী সবমিট তৌরকখিবা ওগষ্ট ৩১, ২০২৫ ফাওবদা ক্রিমিনেল কেসশিং মায়োক্লখিবা মণিপুরগী ফোর্মর অমসুং সিটিং এম পি/এম এল এশিংগী 'ষ্টেটস রিপোর্ট' তা ফোর্মর অমসুং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## এন এস সী এন-আই এমগী অয়াবা য়াওদ্রবদি মণিপুরগী মীয়াম্না মপান্দগী খামেন অশিনবা চাবা ফংলোইদৌরে

### মণিপুরগী মীয়াম্না চানবা মপান্দগী খামেন অশিনবা পুশিল্লকপদা অথিংবা পীরিবা মীওইশিংগী মথক্তা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীয়ু : এসোসিএশন



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস) :** চহী কয়া চুপ্না ৱারোইশিন পুরক্কদৌরিবনি হায়দুনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা সিজফায়র তৌনদুনা ৱারী শানরক্লিবনি হায়রিবা নাগালেন্দগী লালহৌলূপ এন এস সী এন - আই এমগী অয়াবা য়াওদ্রবদি মণিপুরগী মীয়াম্না মপান্দগী পুশিল্লকপা খামেন অশিনবা চাবা ফংদবগী ফীভমদা লৈরে।

অনৌবা থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি প্রেস ক্লবতা ওল মণিপুর ভেজিটেবল হোলসেল্লর এসোসিএশন ত্রষ্টনা পাউগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা পাউমীশিংদা মরীক চুপ্না ৱাফমশিং ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী মীফম অসিদা ত্রষ্ট অসিগী ইন চার্জ লাইশ্রম রোমেসনা হায়, মতম কয়াগী মমাঙদগী ত্রষ্ট অসিনা মণিপুরগী মীয়ামদা অহোঙবা মমলদা মনা-মশিং/এঞ্জাং নাপি মপান্দগী পুশিল্লক্তুনা ফংহল্লক্লি। অদুবু হৌজিক মণিপুরদা মপান্দগী পুশিল্লকপা এঞ্জাং নাপিশিংগী মনুংদা খামেন অশিনবা (টোমেটো-নাসিক) হায়রিবা খামেন অশিনবা অসি মমাঙদগী হৌরদুনা অসাম, দিমাপুর, খারুপেটিয়ানচিংবা মফমশিং অসিদগী মতম-মতমগী ওইনা অহোঙবা মমলদা খামেন অশিনবা অসিগী দিল্লরশিংগা য়ান্নবা মমলদা লৈদুনা মীয়ামগীদমক পুশিল্লক্লিবনি। অদুবু ইখঙ খঙহৌদনা হোলসেল্লরশিংগী এসোসিএশন অসিদা অমসুং হোলসেল্লর তৌজ রিবশিংদা করিগুম্বা অমত্তা খঙহল্লমদনা মীওই খরা মান্নরগা দিমাপুরদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### য়ু জি অহুম ফারে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাং পুলিস কন্ত্রেল রুমনা থোরকপা চেরোল অমদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা ঙরাং টোপ মখা লৈকায়দগী ৱাঞ্খৈরাকপম রোমিও এলিয়জ বারুনি এলিয়জ কৌব্রু (৪৫) কৌবা কে সী পি-পি দল্লিয়ু জিগী কাদর অমা ময়ূমদগী ফারে। মঙোন্দগী মোবাইল ফোন অমা রিকোভর তৌরে হায়রি।

অমরোমদা, ঙরাং সিক্যুরিটি ফোর্সনা ললাম্বুং মখোঙ তখেল্লম্বম লৈকায়দগী হাওবম মালেমঙানবা এলিয়জ কেজিএফ (২৫) কৌবা কে সী পি-অপূনবগী কাদর অমা লম্ফেল সুপর মার্কেটতগী ফারে। মঙোন্দগী মোবাইল ফোন অমা, টু হ্বিলর (জুবিটর) এম এম -০১/য়ু-১৭১১ রিকোভর তৌরে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## থুগাইখিবা মফমগী অকাই-অতোইশিং প্রিজার্ভ তৌদুনা হেরিটেজ ওইনা থমগদবনি, অতোপ্পা মফম ১দা অনৌবা ১ শাগদবনি : কোকোমি

### লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর অমসুং পি দি এ লোয়শঙনা মফম অদুবু ইকায়খুম্নদবা অমদি কলচরেল হেরিটেজ মশক খঙদবনি হায়না লৌই : অথৌবা

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস):** শিলোংদা লৈবা মণিপুর রাজবারি থুগাইখিবগী অকাই-অতোইশিং লৈরিবা মফম অদু লেঙহন্দনা মখা তানা প্রিজার্ভ তৌরগা হিষ্টরিকেল হেরিটেজ ওইনা থমগদবনি। অমুক নৌনা শারগা হিষ্টরিকেল হেরিটেজ ওইবা য়ারোই। করিগুম্বা অনৌবা অমা শাগে হায়রবসু হান্নগী মফম অদু শোকহন্দনা অতোপ্পা অহাঙবা মফম অমদা শাগদবনি হায়না কোকোমিগী কনভিনর খুরাইজম অথৌবনা ফোঙদোকখ্রে।





ৱাফম অসি ঙসি নুংথিল লম্ফেলদা লৈবা কোকোমিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ফোঙদোক্লদুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## জল জিবন মিশনগী ফন্দ লান্না শীজিন্নবা থিগৎহনবীয়ু হায়না হায় কোর্টতা ৱাকৎখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস) :** গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১৯গী ওগষ্ট থাদা কুমজা ২০২৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিগী ইমুং খুদিংমক্তা টেপ ৱাটর ফংহন্নবগী পান্দমদা জল শক্তি মিনিষ্ট্রিগী মখাদা 'জল জিবন মিশন' হৌদোকখ্রবসু মণিপুরদদি মিশন অসিগী থবক থৌরমশিংদা ইরিগ্যুলরিটিশিং লৈরে অমসুং ফন্দ লান্না শীজিন্নবা য়াওরে হায়রদুনা মসিবু স্পেশল ইনভেষ্টিগেশন টিম (এস আই টি) অমা শেমদুনা থিজিলহনবীয়ু হায়না এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা পি আই এল অমা ফাইল তৌরকখ্রে।



পি আই এল অসি মণিপুর লৈঙাক্কী মহুৎ শিনবা চীফ সেক্রেটরি, পি ঐচ ঈ দিগী কম্মিস্নর/সেক্রেটরি অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী জল জিবন মিশনগী মিশন দিরেক্টর অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ জল শক্তিগী দিপার্টমেন্ট ওফ দ্রিঙ্কিং ৱাটর এন্দ সেনিটেশনগী সেক্রেটরিবু রেস্পোন্দেন্টশিং ওইহল্লগা মখোয়গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

পি আই এল অসিগী পিটিস্নর ওইরিবা এম পিনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা মিশন অসিগী মখাদা মণিপুরদা টেপ ৱাটরগী খুদোংচাবা চাদা ৭৯.৬ ফংহল্লে হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী ওফিশলশিংনা ক্লেম তৌরবসু মীওই লাখ কয়াদি মতিক ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### মণিপুরগী অহিংবা পুৱারী থুগাইখিবগী মায়োক্তা শিলোংদা খোঙজং চঙশিনগদৌরি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা শিলোংগী রেদ লেন্দদা লৈবা রাজবারিবু থা অসিগী ৮দা পুমথু থুদেকখিবগী মায়োক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লদুনা হয়েং অয়ুক পুং ৭.৩০দগী হৌরদুনা থুগাইখ্রিবা মফম অসিমক্তদা মীয়াম্না অচৌবা য়ানীংদবগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### থোংজুদা লিয়াংমাই কৈথেল

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৬কী অয়ুক পুং ৫দগী হৌরদুনা টি সী এম দি সী ক্লবকী থোংজু পেচু লম্পাক্তা লিয়াংমাই কৈথেল ফমগনি হায়রি।

কৈথেল অসিদা অনৌবা ওর্গানিককী এঞ্জাং-নাপি, হে-রা অমদি লিয়াংমাই চীংদগী হকথেংননা পুরকপা পোৎথোকশিং মীয়ামদা ফংহনগনি। মীয়াম্না কৈথেল কাবীরক্তুনা মপূং ফাহনবীয়ু হায়রি।

## ডা. রিতাবু মীহাৎ থীনা হাৎলম্বদা চেন্নবশিং চপ চাবা চৈরাক পীগদবনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস) :**





ঙরাং নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফাল পি এসনা কোল্লিবা য়াইস্কুল চীংঙাখম লৈরক্তা লৈবী রিমসতা সিনিয়র ফিজিওথেরাপিষ্ট ওইরম্বদগী থবক্তগী পোথারবী ডা. অঙোম নিঙোল অসেম ওংবী রিতা (৬৭) মপুরোইবা এ মুহিন্দ্রোবু মহাক্কী ইমুংদা মথন্তা লৈবগী খুদোংচাবা লৌদুনা মীহাৎ থীনা হাৎতোল্লম্বা থৌদোক্কী মায়োক্তা ঙসি মফম অসিগী মীয়াম্না ৱাকৎ খোঙজং চঙশিন্দুনা অকনবা মওংদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

খোঙজং অসি য়াইস্কুল অপূনবা মৈরা পায়বী লূপনা য়াইস্কুলগী ক্লব ৮গী অপূনবা লূপ ওইরিবা য়ুনাইটেদ ক্লবস ওফ য়াইস্কুলগা পূন্না শিন্দুনা চঙশিনখিবনি।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবী য়ুনাইটেদ ক্লব ওফ য়াইস্কুলগী ভাইস প্রিসিদেন্ট সী ঐচ যমুনানা হায়, মীয়াই ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### কোংগ্রেসকী ভোট চোর গাডি ছোরগী কেম্প্যেন

## বি জে পিনা ভোট কানবা হুরাল্লি : কে মেঘচন্দ্র

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস) :** বি জে পিনা ভোট কানবা ভোট হুরাল্লি হায়রদুনা মরাল শীখিবগা লোয়ননা লম্বী শেম্বদা, লৌমীশিং কান্নবা পীনবা থৌরাংশিং লৌখৎপদা হুরাল্লি। মরম অসিনা মীয়াম্না পাড়া তম্বীবা মতম য়ৌরে হায়না কোংগ্রেস প্রিসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি এ আই সী সীগী পাউতাক মতুংইন্না ঙরাংদগী হৌরদুনা ঙসি ফাওবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কৈবুল লমজাও অমদি কুম্বীদা কোংগ্রেসকী মরু ওইবা লুচিংবশিংগা লোয়ননা পাঙথোরকখিবা ভোট চোর গাডি ছোরগী সিগ্নেচর কেম্প্যেনদা শরুক য়াখিবা কোংগ্রেস প্রিসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবনি।

কেম্প্যেন অসিগী মনুং চন্না হন্দক্তা পার্টি অসিদা নৌনা য়াওরকখ্রবা এল রাধাকিশোরনা হায়, এম এল এ ৬০গী মনুংদা অমা লৈখিদ্রে। ৫৯ লেমহৌরবসু নিংথৌখোংদগী ডা. আই এস কোন্থৌজম কৌবা সোশল সাইন্টিষ্ট অমনা করিগীদমক মহাকপু নুমিৎ ৭নি খক্কী চীফ মিনিষ্টর পীবিরো হায়না প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং গভর্ণরদা প্রপোজ তৌরক্লিবনো হংখি। ...মখা লমায় ৮ কলম ১

## বি জে পি অসি নেশনল পার্টি ১ ওইবনা সেন্টরগী লুচিংবশিংগা তান্নরগা থবক তৌবা মশানা তাবনি : বিরেন

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস) :** বি জে পিগী এম এল এ ২৫ হেনবনা মণিপুরদা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা লৈহন্নবগীদমক সেন্ত্রেল লিদরশিংদা তকশিনবা য়াওরুবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বিরেন ঙসি নুংথিল ইম্ফালদা হল্লকখ্রে। মহাক্না এয়রপোর্টতা য়ৌরকপদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা হায়, বি জে পি এম এল এশিংনা সেন্ত্রেল লিদরশিং উন্নদুনা মীয়ামগী অপাম্বা অমদি এম এল এশিংনসু অপাম্বা ওইনা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগী তকশিল্লম্বনি। বি জে পি অসি নেশনল পার্টি অমা ওইনা অমসুং মণিপুরসু ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা সেন্টরগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা তান্নরগা থবক তৌবা হায়বসি মশানা তাবনি। শ্বাইদা ৱারেপ অমা হেক্তা লৌরগা তৌবা য়াগদবা নত্তে। ষ্টেটসিদগী পি আর লৌথোকপা নৎত্রগা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা লৈহনবগী ওইরবসু নেশনল লেভেলদা তান্নদুনা ৱারেপ লৌবা তঙাইফদে। ঐখোয়না মীয়ামগী অপাম্বশিং সেন্ত্রেল লিদরশিংদা পাউদম্লুরে। মখা তাবদি মখোয়না ৱারেপ ...মখা লমায় ৩ কলম ৬



## ডা. লোকেন্দ্রগী গেটতা নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস) :**

ইম্ফাল পি এসনা কোল্লিবা উরিপোক য়াম্বেম লৈকায়দা লৈবা জেনিমসকী সিনিয়র দর্মাটোলোজিষ্ট ওইরম্বদগী থবক্তগী পোথারবা ডা. য়ূম্নাম লোকেন্দ্রগী গেটতা মীওই খরনা নোংমৈ রাউন্দ অমা কাপশিল্লম্লে।

থৌদোক অসিবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈকায় অসিগী মীওইশিংনা উরিপোক খুমন্থেম লৈকায় কামদেবো লৈরক মচিন্দা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ৫ রোম ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## পোপ্যুলর গভর্ণমেন্টনসু ঐখোয়বু য়ূমদা হঞ্জিলহল্লমদ্রে, প্রিসিদেন্টস রুল লৈঙাক্নসু হঞ্জিলহনবা ঙমদ্রে, কনাদা থাজবা থমগনি : সুসিলা

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**কাংচুপ চীংখোঙগী খুঞ্জা**

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস) :**

মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরদগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন পীগদবনি হায়বগী দিমান্দ তৌরদুনা কুকি-জোগী লমহেন-তুহেনবশিংনা মখোয়গী খূৎলায় পায়বা টেররিষ্টশিংগা খূৎশম্নদুনা মণিপুরদা তমথীরবা লান চথুরকপদগী হৌজিক ফাওবদা ৱারোইশিন পুরক্তবদগী মশাগী ময়ুম-ময়ুমদা হঞ্জিনবা ফংদনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবা মীওইশিংগা মথং-মথং উন্নদুনা মখোয়গী পূক্নিং ৱাখলগী ৱাফমশিং খঙদোক্তুনা মীয়ামদা পাউদম্লকপগী মখা তারকপদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ফয়েং হায় স্কুলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা হৌজিক ফাওবা চঙজফম লৌরক্লিবী নিংথৌখোংজম সুসিলা





(৩৪) মপুরোইবা এন লক্ষ্মনগা উনরুবদা মহাক্না হায়, অতোপ্পা মফমশিংদা তমথীরবা লান অসি মে ৩গী নুংথিলদগী হৌরকখ্রবসু কাংচুপ চীংখোঙদদি মথংগী নুমিৎ মে ৪, ২০২৩গী অয়ুক্তা য়ৌরকখি। মতম অদু অয়ুক্কী চাক-ঈশিং চাননবা হোৎনরিঙৈদা কাংচুপ চীংখোংগী থোংখোঙদা মৈ থারে। মরম অসিনা অঙাংশিং পুরগা চেল্লো হায়বা ৱাফম য়ূমথোঙ য়ৈনা হায়নরকখি। অদুবু মতম অদু ফাওবদদি নোংমৈ য়াম্না কন্না কাপ্নরকপা ওইখিদবনা অঙাংশিং পুরগা চেল্লো হায়নরক্লবসু ঙাইহাক লৈরগা অদুম নেমথজরক্কনি খন্দুনা ঐহাক্তি চেনবা য়াওহৌদে। অদুবু নুংথিল ওইরকপদগীদি নোংমৈ কাপ্পবগী মখোল কন্না তারকপদগী ইচাশিং পুরগা ফয়েং তান্না লাঞ্জেল্লকখি।

নুমিৎতুদা ফয়েংগী ইমুং অমদা অমুক চেনশিন, অতোপ্পা ইমুং অমদা অমুক চঙ তৌদুনা নুমিৎতুগী অহিং য়াম্না ৱানা লেনখি। লান হৌরক্লবসু নোংঙাল্লগা য়ূমদা চঙদুনা অয়ুক নুংথিলগী মতমদা লৈরুই অদুগা নুমিদাংৱাইরম য়ৌরকপদনা... (মথং-মথং)

### কৈরকতা কনভর্জেন্স মেলা

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস) :** কক্চীং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশননা আর দি এন্দ পি আর লোয়শঙগী এম এস আর এল এম ১সুং কৈরকজি পিগী ভি এল এফশিংগা খূৎশম্নদুনা ঙসি নোংমগী ওইবা কনভর্জেন্স মেলা পাঙথোকখ্রে।

### দেঙ্গীগী অনৌবা কেস ৯২

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাংৱাইরম লৈঙাক্কী হেল্থ সর্ভিসেস লোয়শঙদগী ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা দেঙ্গীগী অনৌবা পোজিটিভ কেস ৯২ থেংনরে হায়রি।

কেসশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট-৬১, ইম্ফাল ইষ্ট-২৩, বিষ্ণুপুর অমসুং তমেংলোংদা ৩/৩, থৌবাল অমসুং কাংপোকপীদা ১/১ ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### মিষ্টর দিফ ইন্টরনেশনল কন্টেষ্ট

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস) :** মথং থাগী ২৮দগী দিসেম্বর ৮ ফাওবা ইটলিগী জেনোৱাদা পাঙথোক্কদবা 'মিষ্টর দিফ ইন্টরনেশনল কন্টেষ্ট' তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা মণিপুরগী ভৈরিলো লানানা শরুক য়ারুগনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫